## মবুকচেল শেংদ্রি

### মচিন চেন্থি থিরি

‘লান’ হায়দুনা খঙনরক্লিবা ৱাহৈসিগী থৌদোকশিংসি মালেমসিদা থোরকপা কুইরে। খজিক খরাক্তা কুইবগী ৱাফম নত্তে। য়াম্না কুইরে। মীওইবা হায়রিবা থৱায় পানবা কাঙলূপসিনা লৈরকপদগী হায়বদি ফি শেৎকনি হায়বা ফাওবা খঙদ্রিঙৈ লৈকুৎতা, লৈরাইদা, উমং-ৱামং অমসুং শুরুং-মান্নুংদা লৈরিঙৈদগী হৌনা মী মশেলগী মরক্তা থোরল্লুবনি। মতমদুদগী থোরকপা লান্দু হৌজিক ফাওবদা থোক্লি। নুঙনা খূৎলায় ওইনা লংনরম্বদগী মপাঙ্গল কল্লবা বোম শীজিন্নরক্লবা, তা লংনরম্বদগী মিসাইল ওইনা কাপশিনবা ঙম্নরক্লবা ফাওবদা ‘লান’ হায়বসিদি লোইবা নাইদ্রি। থোরক্তবা লৈত্রি। মালেমসি য়াম্না পাক-চাউবগী ওইগদৌরিব্রা? মচি-মচিদা, মফম-মফমদা নৎত্রগা অমদা হেক্তা থোরকই। হৌজিকসু লৈবাক খরগী মরক্তা থোক্লি। অদুবু মীওইবনা নারক-নোংশোঙদা লৈরিঙৈদগীনা হৌজিক অহাঙবা মালং অমসুং অতোপ্পা প্লানেটশিংদা ফাওবা লৈবা ঙম্নক্লবা ফাওবদা থোরক্লিবা লানশিংসি শোয়বদগী থোকখিবা ‘এক্সিদেন্ট’ অমত্তা নত্তে। থোক্তবা য়াদবা মরমশিংদগী তঙাইফদনা থোক্লিবনি। মরম অসিনা ঙসিগী মীরোলনা হৌখ্রবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী পুৱারী (হিষ্ট্রি) নৌহৌননা নীংশিংদুনা তম্ন রিবনি, নৈনরিবনি। হৌখ্রবশিং লাকখৎতুনা খঙননবা হোৎনবদা লানগী থৌদোকশিংসু মরু ওইনা য়াওরিবনি। অদুগা মালেমগী মফম অমদা নৎত্রগা অমদা থোকপা লান ওইগেরা, লৈবাক শিনবা থুংবদা থোকপা ওইগেরা লানশিং অদুগী ৱারোইশিন হায়বা’মসু পুরকখিবা ঙাক্তনি। হৌজিকসু লৈবাক খরদা চত্থনরিবা লানশিংসিগীসু অরোইবা, লোইশিল্লকপা হায়বা’মা শোয়দনা লৈরকখিগদোইনি। অদুবু লান হায়বসি করিনো হায়বসিগী মতাংদদি অমুক শন্দোক্না হায়রুদ্রবসু য়াররনি। মরমদি লান হায়বসি মীপূম তিংনা পাম্নবা চাওখৎ-থৌরাং অমসুং নুংঙাই-য়াইফবগী থবক-থৌরম নত্তে। হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি মালেমগী ওইনা অরিবা অমসুং অনৌবা মতমদা থোকখিবশিং য়াওনা ‘ফর্ষ্ট ৱর্ল্ড ৱার, সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার’ নৎত্রগা হৌজিক ফাওবা লোইশিন্দ্রিবা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী লানগী ৱাফম নত্তে। হোয়, মমল য়াম্লবা মীওইবগী পূন্সি অমসুং মখোয়গী মরল-মথুমশিং মাঙ-তাকহনবা লানশিং থোকহন্নীংদে। থোক্তবা য়াদবদগী থোরল্লুবসু কুইথ-শাংথহন্নীংদে। অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকহন্নীংই। পুরকপসু ওইসনু। পাক-চাউখ্রবা মালেমগী মফম অমত্তদা মখা তানা লান থোরক্তবা ওইসনু।

অদুবু মালেম পূম্নমক্কী ওইবা ৱাফমশিং কোৎশিন-লামশিল্লুদ্রবসু হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফীভমসিবু করিনো? করি ওইরিবগে হায়বনিদা? মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্তুনা থোরকখ্রিবা থৌদোকশিংদুবু তমথীরবা লান অমগী থৌদোকশিং নত্তে, চীংদা খুন্দাবা অপীকপা ফূরুপ খরা পুনশিল্লগা তম্পাক্তনা নম্না খুন্দাবা ফূরুপ অমগগী মরক্তা ঙাইহাক ৱারৌ পুক্লৌনদুনা শাওনবদগী অমসুং ৱারৌনবদগী লাকশিন-ফাজিনবা ঙমহৌদ্রবা ৱাখলনা লমজিং ওইদুনা থোরকপা ফূরুপ মশেলগী ঈরাংনি হায়দুনা লৌবা য়ারিব্রা হংবনি। থৌদোকশিংদু পীক্লবা ষ্টেট (মণিপুর) গী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা অকক্নবা দিষ্ট্রিক্ট খরদা থোরক্তুনা মী ২৬০ রোমদমক শিবা ওইরবসু ‘ঈরাং’ নত্তে ‘লান’ নি। অপীকপা নৎত্রগা অচৌবা লান হায়বসিদি লানদুদা শরুক য়াবা মীশিং অমসুং শীজিন্নবা খূৎশু-খূৎলায়শিংনা লেপকদবা নত্তে। মীশি-মীনা অমসুং অমাঙ-অতা য়াম্না য়াওবসু থোইদোক্তে। লান হায়বসিদি শোক্নরিবা মশেলনা অমনা অমবু মায়থীবা পীদুনা ফংনীংলিবা পান্দম অমসুং পন্থুংদু ফংননবা-য়ৌনবা লৈজবা পূম্নমক পুথোক্তুনা শীজিন্নরিবনি। অদুবু ওনশিন্নদুনা য়াপঙনদা ওইরবসু চিক্নরবসু লান অচৌবা-মচা হায়বসিদি লানদু থোরকপগী মরমশিংনা লেপকদবনি। মসি ওইরগদি মে ৩, ২০২৩দগী হৌরল্লগা হৌজিক ফাওবা মখা শমথরল্লরোই হায়বগী পূক্নিং লূম্বা ফীভম অমা ওইহনবা ঙমদ্রিবা, লান শোক্নরিবা মশেল চঙন-থোক্না য়াদ্রিবা অমসুং লাঞ্জেন্নরকপশিং তেকশিন-হঞ্জিনহনবা ঙমদ্রিবা লানসি খ্বাইদগী তমথীবা অমসুং অচৌবা লাননি। ঈরাং নত্তে। লান হৌরক্লিবশিংনা হায়রিবসি মখোয়না মখোয়গী মীহুৎ খঞ্জদুনা ৱায়েল থৌদাজবা, এক্ট-রুল অমসুং লো শেমজবা ঙম্না লেজিসলেচরগী পৱার য়াওবা ‘য়ুনিয়ন টেরিটরি’ অমা পীয়ু হায়বনি। চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা মণিপুরগী ঙমখৈ (টেরিটোরিএল বাউন্দরি) থুগায়রগা ষ্টেটসি তঙ্খাই অমসুং মশুং তাহল্লগে হায়রকপনি। মসিদবু লানসি কুমজা ১৮১৯দগী ১৮২৬ ফাওবা চহী ৭ খুন্তাক লানশিরুরবা মতুংদা অৱাশিংবু নীংথি তুরেল তোর্ব্বান ফাওবা তান্থোকখিবা অমসুং কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিল ২৩দা শোক্নখিবা খোংজোম লানদুগুম্বনি হায়না লৌবা য়ারোইদবগী মরম লৈব্রা? অদুবু অচুম্বা অমসুং অশেংবা ময়ামসি লৈরিক-লৈরাক থন্না লৈরবসু ফেব্রুৱারী ১৩দগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু ‘সস্পেন্দেদ এনিমেশন’ দা থম্লল্লগা ‘প্রসিদেন্টস রুল’ চৎনহল্লকখ্রিবসি থুবা নৎত্রগা তপ্পগী ৱাফমদি তরাইথোকখ্রদনা লানসিগী ৱারোইশিন হৌজিক ফাওবদা পুরকপা ঙমদ্রিবা ওইরবসু পান্দমদি মসিগীদমক্নি। হায়বগা তৌবগা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা ফীভমদুদা খম থেংজিনবা মক নৎত্রবসু ফনা য়াম্না নকশিল্লক্লবনি। লানসি থোরকখিবগী মরম চাউমনবদগী ৱারোইশিন প্রপ-প্রপ পুরকপা ঙমদ্রিবগী ৱানি। ওখাক য়াম্না ঈংথরল্লবনি। নোংমত্তা কাংদনা তারম্বা নোংমৈ-বোমগী মখোল তারক্তবা কুইরল্লবনি। হায়বদি হৌজিকমক মায় পাকপা ফীভমদা লৈহল্লকপা ঙমদ্রবসু মণিপুরগী লৈঙাক্লোনদা হকথেংননা খূৎ থিংজিল্লক্লিবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা মণিপুরগীদমক পাঙথোরক্লিবা থবক-থৌরমশিংসি ‘পীস প্রোসেস’ নি হায়রিবনি। ওইসু ওইরমগনি। মরম অসিনা তাঞ্জাসিদা পীস প্রোসেসসিগী লম্বীদা নুঙজাও ওইহল্লক্কদবা ৱাফম অমসুং ৱাঙাঙ-শঙাঙদি চিন্দোন-লৈতোন্দা পক্তবনা চুল্লগনি। অচুম্বসিগী চগোদগী লান্থোক্লুবদা হৌন-খঙদবা অমসুং লৈবাক মচা তাদবা ওইদোইনি। অদুবু লানসি লোইশিন-খমজিন্দুনা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা, নুংশি-চান্নবা পুরক্তুনা হঞ্জিলহন্নবা হোৎনরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না খঙগদবদি লানসি করিদগী, করম্না, কনানা-কনাগী মৈ চুরক্তুনা চীংজাও খোনবা লাম্নৈদৌনা চাক্লকখিবনো হায়বসিনি। পীস প্রোসেসনি হায়দুনা হোৎনরক্লিবনিনা খঙবুদি হেন্দোক্না খঙলম্লগনি। অদুবু হৌরকফম মথোং খঙদবা মনা লাওরম্বা কুইদ্রিবশিংসিগী মপুকচেল হৌজিক ফাওবা শেংদ্রি অমসুং মচিন চেন্থি থিরি হায়বসিসু হোম মিনিষ্ট্রিনা খঙজিনহন্নীংই হায়বনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মিনিষ্ট্রিসিগা ‘সূ’ তৌনরক্লিবা কে এন ও অমসুং য়ু পি এফকা ৱারী শানখিবদু নবেম্বর ৬ অমসুং ৭, ২০২৫দনি। নুমিৎশিংসিদা ফাওবা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লানসি ইম্ফালদা মীতৈনা মখোয়গী মায়োক্তা ‘এঠনিক ক্লিন্সিং’ চত্থরকপদগীনি হায়দুনা মচিন চেন্থি থিরি হায়বনি!!

## মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’ (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬০৯)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লৈরিগবরা হায়না। চীঙবুরোই তমবুরোই তমবু চৎনা লাংওললকপদা। ময়ুম লোইবী চীঙমীনা। মশোং মমালচানা। য়েংঙমলে। অদু নুমিৎতগীবু। তাসোং ও মিংকৌয়ে। লাইরেল মৈদিংঙুনা। অশোং মপুঙয়াইদা। তুপী মতিক উৎ। লাইরেল মতিক ফুদোকনা। চুংলেল মরোল হুমফু লালনা চোং। কাওরেল শলখাং তরা লাননা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯰꯹)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯂꯩꯔꯤꯒꯕꯔꯥ ꯍꯥꯌꯅꯥ꯫ ꯆꯤꯡꯕꯨꯔꯣꯏ ꯇꯃꯕꯨꯔꯣꯏ ꯇꯃꯕꯨ ꯆꯦꯠꯅꯥ ꯂꯥꯡꯑꯣꯜꯂꯛꯄꯗꯥ꯫ ꯃꯌꯨꯝ ꯂꯣꯏꯕꯤ ꯆꯤꯡꯃꯤꯅꯥ꯫ ꯃꯁꯣꯡ ꯃꯃꯥꯂꯆꯥꯅꯥ꯫ ꯌꯦꯡꯉꯝꯂꯦ꯫ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯕꯨ꯫ ꯇꯥꯁꯣꯡ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯅꯥ꯫ ꯑꯁꯣꯡ ꯃꯄꯨꯡꯉꯥꯏꯗꯥ꯫ ꯇꯨꯄꯤ ꯃꯇꯤꯛ ꯎꯠ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯇꯤꯛ ꯐꯨꯗꯣꯛꯅꯥ꯫ ꯆꯨꯡꯂꯦꯜ ꯃꯔꯣꯜ ꯍꯨꯝꯐꯨ ꯂꯥꯂꯅꯥ ꯆꯣꯡ꯫ ꯀꯥꯑꯣꯔꯦꯜ ꯁꯂꯈꯥꯡ ꯇꯔꯥ ꯂꯥꯟꯅꯥ꯫ ●

## নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২৪০ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)



চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

নীংশি ৱারীগী থোঙনাও হাংদুনা ঙসিদি নোংমা ঐনা চাওরাক্লা খনবদা কুমজা ১৯৮৪গী ফেব্রুৱারী থা অদুৱাইদনি। অঙাং লুগুন থাংবগী লীলা অমা কৌদুনা ঐখোয় লাকখি। লীলাদু চাওরাক্লা পুং ২দা হৌগদবনি। ঐখোয়দি মখা তাবা প্রোগ্রামসু লৈবনা ককচীং কৈথেলদা চৎলগা সোইবুম লৈসি হায়নবদগী ঐখোয় মরি-মঙা চঙই। ককচীং কৈথেলদু মমাঙদা মরি-মঙারক্লুম্বদি চঙখ্রে, কয়া থোইনদি চঙদে। কুমজা ১৯৭৩দা ওইরমগনি চাদলগী মনুং খরা চঙশিনবা, জাফৌ বজারদগী চুম্না চঙশিনখিবা অদুদা চৎলগা চকপী তুরেল চেল্লিবদুগী মনাক অদুৱাইদা থবক শুবা চৎলি। মদুদা ঐখোয়গী খোলা শাদুনা লৈ। খুল লৈরবসু য়াম্না লাপ্পী। চীংনি, উগী উ ঙাক্তনি, মতমদুদদি চান্দেলদা অচৌ অচৌবা উ পাম্বী অসুক্কী মতিক য়াম্না হৌই। ঐ ইপাগী মতুং ইন্দুনা থবক শুবা লংফৈ চৎপনি। অদুনা চান্দেলদগী থোরকপদা তোংলকপা বস অদু ককচীংলোমদা অমুক লাক্লগা ইম্ফাল তান্না থৌরক্কদবনি অদুনা ককচীংসি ইফাওদা ফাওরগা চৎলি। ঐনা মতমদুদা ইন্টরেষ্ট য়াম্না লৈখিবদি ঈশৈনি, ঈশৈ ঙংবা য়াম্না পাম্মী। ককচীংগী পান দুকান্দৌনা তৌবা ময়াং অমনা ফম্বা পীকত্রু পীকপা দুকান অমদা হিন্দি ফিল্মগী ঈশৈ ময়েকশিং ফোঙবা বুকলেট মচা মচা য়োল্লি। লুপা অমা অনীগা পীবনি। অদুবু বূকলেট অদুদা ফিল্ম অহুমগী ঈশৈ ময়েক্তি ইদুনা য়াওই। হিন্দিদা ইবনি, ঐ হিন্দি ময়েক পাবা ফজনা থোকই, অদুগা ইবসু অদুম ঙম্মী। হৌজিক্তি শিজিন্নখিদ্রবনিনা কাউবু কাউরে ইবদু, অদুগা পাবদি ফজনা অদুম থোক্লি হৌজিকসু। মদু ঐনা চৎপদা উখিবদু হল্লকপা মতমদা দুকান্দু তম্না চেনশিল্লগা বূকলেটতু লৈখিবদু ঐনা ঙসিফাও শুংকাউ কাউদে। অসুম্মাই তৌদুনা ঐগী ইমান্নবা অমা লৈ, ঐখোয় লৈকায়দগীনি, হৌজিক্তি লৈখিদ্রে, য়াম্না লুনা তিন্নে। মাগী অপোকপদু বি এস এফ ওই। মানা পল্লেলদা পোষ্টিং তাবদা অতোনবী অমা লৌদুনা পল্লেলদা লৈবনি। অদুদা হেক হেক ঐসু ইমান্নবদুগা মপা উন্নবা লাকমিন্নে। অদুদসু ঐখোয় অনী হেক হেক চঙই। মরম ইচা চাদনা ককচীংগী অজাদ টৌকিজদা করি সিনেমা তৌরিবগে গাইনা থৌওইনা চেল্লগা য়েংলুই। বসতুনা থৌগদৌবগী ষ্টার্ট তৌরকপদা ইবানিনা নংহৌররোই হায়না চেল্লক্লগা বস কাখৎখিবদু ঙসিসু কাউদ্রি। ককচীং য়ৌরকপদা ঐগী লৈখিদ্রবা ইমান্নবদু হেক হেক নীংশিংলি।

ককচীং কৈথেলদা ঐখোয় চঙলগা, মানা মানা পাম্বা এঙ্খাংগুম্বা, সোইবুমগুম্বা, ককচীংগী বোরা মপাক লৈনৈ। বোরা মপাক্তু হৌজিক্তি মপাক হায়খিদ্রে, ককচীং বোরা হায়রগা খঙনরে। মদু অহানবদদি খরা পাক্লম্মী, অদুনা ওইবা তাই, বোরা মপাক হায়না কৌখিবদু, হৌজিক্তি খুবী মমায়মুক্তা চাউরে। মদু লৈবনা লৈবা, মানা-মানা থোকপা তৌনরি। ঐদি কদায়দগী অঙাওবা ৱাখলনো খঙদে সোইবুম য়োনবী ইমা অমগী মমাঙদা লেপ্পগা, মানসু মান্দনা ককচীংগী লোল খরা নৌরপ তৌবদু ঙাঙলগা সুম কয়া পী অদু তৌই হায়না অতৈ অতৈ পোৎকী মমলসু হংবদুদা ইমাদুদি নুংঙাইত্রিবোইরে। ঐনা লোল নৌরগা ঙাঙবদুদা। ঐনা সুম হেঞ্জিল্লকপদুদদি ইমাদু ৱ্রং লাউনা শাওরক্লে। অদুগা থীরেখৈ চৈরকপনি, হৌজিক ফাও হেক কাউদ্রি। ইমাদুনা হায়খিবদু, “নোই ইম্ফালগী লোলসু ঐখোয় ঙাঙবা ঙম্মী। অদুগা নঙনা ঐখোয় ককচীংগী লোলসি হৈসু হৈতনা নৌবা শাদনা ঙাঙলিদু, ঐ তাগে হায়না তাবনি, ঐখোয়বু উশিত্তবা মাল্লি, কৈনো নঙনা পাম্মীসে” হায়না ইমাদুনা শাওনা হায়রকপদা মনাক্তা লৈরম্বশিং লোইনমক ঐখোয়দা য়েংবনি। ঐ য়াম শাথীনা ইকায়খি। ঐনা নাশোন পীক্না, “ইমা শাওবীনু, ঐ লোলসি হৈনীংমন্দনা, ইমাদা নৌরগা হায়বনি, শাওবীনু, ঐদি আর্টিষ্টনি অদুনা লোলসি হৈনীংবদগী সুম হৈত-হৈত ঙাঙবনি, উশিত্তবা নত্তে, ঐ লীলা শান্নবা লাকপনি, ইমা শাওবীনু ঐ লাল্লে” হায়না ইমাদুদা হায়জরে। ইমাদু মখা তারকখিদ্রে, কৈসু থোইনা শাওখিদ্রে। ঐ সোইবুমদু লৈরগা থুরেখৈ থোরল্লগা য়াম্না ইকায়খিবদু ঐ হৌজিকসু শুংকাউ কাউ হায়বা য়াদে। ঐখোয়না নুমিৎতুদা শান্নখিবা লীলাদু “লমলক্কী চেক্লা” হায়বা লীলাদুনি। ঐ কাউদ্রি। ঐগী ৱারীদু লীলা য়াওমিন্নরিবা ককচীং কোমোল, ময়াম্না মেমথোইবী শাবী হায়দুদা তম্মী। ককচীং কোমোলসি ককচীং খুনৌদগীনি। মানা হায়রে, ককচীংগী লোল নৌবসি পাক য়াদবনি, ঐখোয় খুনৌগসু খরা খেন্নে। ঐসু পাক তাদে হায়না মানা হায়। কোন্নথংদদি ঐ খঙই, ফাগিনি হায়দুনসু মতাং চাদ্রদি য়াম চোপ্পী হায়বসি। ঐনা হায়রুবা অদু তশেংবগীদি উশিত্তবগী ৱাফম অমত্তা নত্তে, ঐনা খরা সুম হৈনীংলুবদুগীনি। মতাং চাদবদুনা ঐনা লানখিবনি।

হায়রিবা চহী অসিগী ময়াদা নোংমসু শ্বষ্টি পুজা অমগী লীলা অমা শান্নে। মদুমদি নুংদাংদা শান্নবনি। ককচীংদা লীলা শান্নবসি অয়াম্বা মতমদা নুংথিলসি য়াম্না শান্নগল্লি। নুংদাংসু শান্নে, শান্নদে হায়বা নত্তে অদুবু নুংথিলদনা খরা হেন্না শান্নে। ককচীংদা শ্বষ্টি পুজাগী লীলা অমা শান্নবদু, লীলাদু মী য়াম্না য়েংই। য়াম্না নুংঙাইনা শান্নে। য়েংবীখিবা খুদিংমক্লসু য়াম্না পেনবীনা য়েংবীখি হায়জনীংই। লীলা শান্নবা অদু লোইশিল্লক্লে। অরোইবা সিনদা শিবগী সিন অমা য়াওরগা লীলাদু লোইবনি। লীলা লোইরে হায়না ঐখোয়নসু লাউথোক্লে। য়েংবীরম্বা ময়ামসু লোইনা হৌগৎনদুনা ময়ূম-ময়ূমদা হন্নখ্রে। ঐখোয়সু লীলাদু লোইরবনিনা ফি শেৎফমদা চঙলগা ফিরোল লোইশিনবা, থুপচিনবনচিংবা কন্না তৌরি। অদুবু শুমাংদা মী চৎনখ্রবদা ৱা কন্না কন্না ঙাঙনবা অমা তারকখি। ঐখোয় কৈদৌরবনো হায়বা থোইনা খল্লুবা তৌদে, লোইশিনগদবদু অদুম লোইশিল্লি। ফিরোলদু ফজনা থুপত্রবদি ঐখোয়গী শো হয়েংসু অদুম লৈবনিনা, শুরু-শুরু নৈশিনবদু য়াদে। অদুনা ফিথুপ নাইনা ফজনা থুপ্পগা ঐখোয়গী বেগতা হাপকদৌরিবনি। অদুম্না কন্না চিন্নরিঙৈদুদা মপান্দা লৈবা ঐখোয়গী আর্টিষ্ট অমা চঙশিল্লক্লগা, অহল অমনা য়াম্না শাথীনা শাওরে হায়না পাউ তল্লে। হায়নরিঙৈদুদা ইমুংদুগী শাওরিবা অহলদুনে, মী খরগা মরী মরী চঙলক্তুনা অরুবা ৱাফম খরা হায়ররে। লীলাদু লোইশিনফম অমা চাদে। লীলাদু মী শিরগা লোইবা হৌনব্রা? ঐখোয়না লীলা কৌজদুনা তৌরিবসি নুংঙাইগে-য়াইফগে হায়বগীদমক লীলা কৌজরিবনি। শুমাংসিদা অশিবনা লোইশিল্লগা থম্বীরম্বসি য়ারোই, শিবা য়ারোই, লীলা মতেক অমা হাপ্তুবা য়ারোই হায়না কন্না হেক হায়ররে।

হায়রিবা ৱাফমদু অচুম্বা য়াওবনিনা ঐখোয় কমদৌসিগে খন্নরে। লাষ্ট সিনদা লোইখ্রবসু ঐখোয় অমা থোক্লগা হিংগে হায়বা অমা হাপচরগে হায়নরে, য়ান্নরে। মতমসিদা লীলা য়েংবীনবা কনামত্তা লৈত্রবা মতমনি। ইমুং মনুংগী মীওই খরখক্তনি লৈরিবা। য়াম্লবদা মী কুনমুক কুম্বদি লৈরমখিবা য়ারি। ঙসাই মীনা পুমচোন চোন্না শুমাংদুদা তিল্লম্বদু অমফাওবা লৈত্রে। ময়ামদু ফম্মগা য়েংবা নত্তে, ঐখোয়গী আর্টিষ্ট অমা থোক্লে। মশাদা ইপা পাখৎনা হঙ্গৎ হন্দা কোইচৎ চৎতুনা লৈহল্লে। তাঞ্জাসিদা অতোপ্পা আর্টিষ্ট অমা হোবে হোবে থুনা চঙশিল্লক্লে। হান্না লৈরম্বদুদা হংই, “কমদৌরে?” চঙলক্লিবদুনা খুম্মী, “কৈসু নুংশা থিনীংঙাইদি ওইদ্রে। মীদু হোস্পিটালদা পুখৎলে, ডাক্তরনা য়েংলে, খুদক্তা ওপরেশন অমা তৌরে। হৌজিক্তি ডাক্তরনা খুদোংথীনীংঙাই ওইদ্রে হায়হৌরে” হায়না পাউদু তম্মে। হান্না লৈরম্বদুনা অমুক “ইস ফরে ফরে, কৈসুদি তৌররোইকো” হায়রবদা চঙলক্লিবা মীদুনা “তৌররোই, ৱাখল তাহৌরে” হায়না খুম্মগা লীলাদু লোইশিল্লে। মসি ঐখোয়দা ইনৌ নৌবা এক্সপরিএন্স অমনি। শুমাং লীলা অমা শান্নবা হায়বসি ঐখোয়না তরাইনা লৌবা য়ারমদ্রে। মতুং লীলা পুথোকপদা, ঐখোয় অরোইবা সিনদা মী শিরগা লোইশিনবসি য়ারিমখৈ য়াওদনবা কন্না হোৎনখি। ●

## অমনা নুংঙাইবগী, অমনা অৱাবগী

পূন্সিগী ঈচেলদা - ১৪৪

**ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার**

হায়নবা লৈ - পূন্সিসে খূবাক খুনমগুম্বনি। নাকল অমরোমদনা নুংঙাইবা অদুগা নাকল অমরোমদনা অৱাবা। মতৌ অসুম্না ঐহাক্কী পূন্সিগী খোঙচৎতসু অৱাবগী শরুক য়াওরি অদুগা নুংঙাইবগী শরুকসু য়াওরি। তৌবগীদি ঐহাক্কী অৱা-অনা, অশি-অনা ঐহাক্কী ইমুংদা অমদি মরী-মতাদা থোকপদা ঐহাক ময়ামদা য়ারিবমখৈ পাউদমজদে, স্যের তৌজদে। করিগীনো হায়রগদি অসুক্কী মতিক খম থেংনা ৱানরবা মতমসিদা ঐহাক্কী অৱাবগী পাউনা অমুক্কা ৱাহনবা পামজদবগীনি।



য়েংবীয়ু, ইরৈচা ময়াম্নসু হেন্না তান্ন-উন্নরবা ঙাক্তনি সোশল মীদিয়াদা, টিভিদা অমদি পাউচেশিংদা স্যের তৌরিবশিংসি অয়াম্বনা অৱা-অনা অমদি অশি-অনাগী পাউনা অয়াম্বনি। অশি-অনা থোকপগী, এক্সিদেন্ট থোকপগী, লায়েংবা ঙমদবগী, হুরান-চিন্থিগী, নমথাক তৌদুনা শেল লৌথোকখিবগী, কম্পিটিশন য়াওবা চৎনবা শেল লৈতবগী, পোৎ চৈগী মমল অতিয়া য়ৌনা তাঙবগী, থবক শুফম লৈতবগী, শেল তানফম লৈতবগী, লায়েংনবা শেল লৈতবগী, কুকিনা লান্দারকপদা চেল্লকখিবা আই দি পিশিংগী অৱা-অনাগী, হায়ৱেশিংদা চৎপা ঙমদবগী, ফ্লাইট টিকেট মমল খম থেংনা ৱাংখৎপগী, ৱাকৎ মীফমগী, ৱাকৎ খোঙচৎকী, মীহাৎ-মীপূনগী জে এ সী শেম্বগী, মহৈশঙ হাংবগী, লৈঙাক্তা পেন্দবগী, লৈঙাক্লা/এম এল এশিংনা মথৌ তৌদবগী - লোইবা নাইররোই পনবদা। অসুক য়ামখ্রবা অৱা-অনা অমদি মীশি-মীনাগী, পেন্দবগী পাউ পীক থন্না লৈরিবা অসিগী মথক্তা ঐহাক্লা অমুক অৱাবগী পোৎলূম হাপচিন্নীংদবগীনি ঐহাক্লা য়ারিবমখৈ অৱা-অনাগী মরমদা পোষ্ট তৌজদ্রিবা, ইজদ্রিবা।

অদুবু তৌদা য়াদবা মতাং লাকপদদি তঙাইফদনা পোষ্ট তৌই, ইজৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা হন্দক্তা ঐহাক্লা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদা অহুমশুবা ইয়াম্বনা কন্না নাবগী লাকখিবদুদা ময়ামদা খঙহন্দবীদা তূমিন্না লাক্তুনা তূমিন্না টাইৱানদা হনখিবগী মতাংদা শেংদোকচবা ওইনা। করিগুম্বা অসুম্না শেংদোকহৌদ্রগদি ঐহাকপু ময়াম্না শোয়দনা ৱারৌনা অমদি লান্না লৌখিবসু য়াই লাক্লম্লগা করিমত্তা খঙহল্লমদে হায়দুনা, মরু ওইনা ঐহাক্না শক্না-শক্না উন্ননীংবা ইরৈচাশিংনা।

হন্দক চয়োল অমখক লাক্লম্বগী পাউদু তাবদা ঐহাকপু নুংশিবীবা ইরৈচা কয়া অমনা হংবীরকই য়ূম কদাইদনো, কয়াম কুইনা মণিপুরদা লৈখিগদবনো উন্নবা লাক্কে হায়না। মদুদা ঐহাক অমুক হল্লে টাইৱানদা হায়না খুমজৈ।লোয়ননা চয়োল অমখক ইয়াম্বা কন্না নাবগী লাকপনিনা কনামত্তা উন্নবা ঙমখিদ্রে হায়না শেংদোকচৈ। করিগুম্বা ঐহাক্লা মাঙজৌননা হায়দোক্লুরগা ইরৈচাশিংনা উন্ননীংবা মতমদা মখোয়গীদমক মতম কায়থোকপা ঙমদ্রবদি মখোয়না ঐহাকপু লান্না লৌখিবা, ৱারৌখিবা য়াই, লোয়ননা ঐহাকপু নুংঙাইরোই। মরম অসিনা ঐহাক্লা করিগী ময়াম খঙহন্দবীদা তূমিন্না লাক্তুনা তূমিন্না হনখিবনো হায়না শেংদোকচরিবা। ঐহাক্লা ইয়াম্বগী পূক্নিং নুংঙাইনবা হায়দুনা মহাক্কী মনাক্তা লৈদুনা করি চাবা য়াই, থবকপা য়াই হায়দুনা য়েংশিনবগী, থৌগল তৌবগী মথৌ তাবনিনা ময়ামগী মতম কায়থোকপা ঙল্লোই খনবনা খঙহনখিদবনি। নোংমা ফাদোক চত্থোকপদা ইয়াম্বনা নুংঙাইতনা লৈহৌবা ঐহাক ফাওদবা নত্তে। অদুনা য়ারিবমখৈ ইয়াম্বগী য়ূমদা, মনাক্তা লৈনবা হোৎনখিবনি।

অদুগা হন্দক টাইৱানদা নিঙোল চাক্কৌবা পাঙথোকপগী মতাংসিদা ইয়াম্বা লৈখিদবগী পাউ অমুক য়াওরে। মসিনা ঐখোয় ইমুংদা টাইৱানদা নিঙোল চাক্কৌবা য়াওবা ঙমখিদবগী মতাংদা পঞ্জবনি। ইয়াম্বা লৈখিদবগী পাউসি অৱাবা, নুংঙাইতবা পাউনি অদুম ওইনমক অতোপ্পা হীরম খরগা মরী লৈননা স্যের তৌজবনি, ইয়াম্বা লৈখিদবগীখক খল্লগা পাউদমজবদি নত্তে।

মরম অসিননি ঐহাক্লা ঐহাক্কী পোষ্ট অয়াম্বা অৱা-অনা, মীশি-মীনাগী পাউ স্যের তৌরগা হেন্না অৱাবা পোৎলূম পীশিনবগী মহুত্তা ইরৈচাশিংদা কান্নগদবা, মঙাল খজিক্তা ওইরবসু পীগদবা, পূক্নিং লৌশিং ওইগদবা, পূক্নিং, থম্মোয় থৌগৎকদবা, পাঙ্গল হাপকদবা, হোৎননীংবগী, মায় পাকপগী পোষ্টনচিংবা পাউদমজরিবা, স্যের তৌজরিবা।

পূন্সি খোঙচৎসি তম্বা ঙমদেদো। অদুম ওইনমক অৱাবা, নুংঙাইতবা ফোঙদোকপা, শরুক য়াবা, য়াদবা হায়বসিদি ঐখোয়-ঐখোয়গী খূৎতা লৈ। মরম অসিনা মফম মতম য়েংদুনা ৱা ঙাঙবা, স্যের তৌবা অমদি থবক তৌবা মথৌ তাই। তৌনীংই হায়দুনা, পাম্মী হায়দুনা মফম-মতম য়েংদবীদা পংতৌ তৌবসু লানগনি, অফবা মহয় লাক্লোইদো।

মরম অসিনা হন্দক্কী নিঙোল চাক্কৌবা অসিদি ঐহাক্কী ইমুংদা থোক্লিবা নুংঙাইতবা অসিগী খন্দুনা হরাও নুংঙাইবগী অমদি নুংশিনবগী যূম্ফম ওইরিবা মমল য়াম্লবা নিঙোল চাক্কৌবসি য়াওদ্রিবা। মতাং চাদ্রবদি চৈরাওবা, ইমোইনু থৌনিজবনচিংবা থৌরমশিংসু পাঙথোক্তবা য়াওরিবনি।

হন্দক ঐহাক্লা ইরমদম কংলৈপাক্তা থোরকপা নুমিৎতো নিঙোল চাক্কৌবা নুমিৎ থোকপনি অদুগা অহুমশুবা ইয়াম্বগী মচাশিংসু লোইনা পুল্লিবনি থোরক্তুনা। অদুম ওইনমক ইয়াম্বনা কন্না নাদুনা লৈরগা মতৌ করম্না ঐখোয়না হরাও নুংঙাইবগী নিঙোল চাক্কৌবা পাঙথোক্কদৌরিবনো। মরম অসিনা হন্দক্কী নিঙোল চাক্কৌবসি পাঙথোকখিদে ইয়াম্বগী ইমুংশিংদা।

টাইৱানদা হান্নগুম হন্দকসু নিঙোল চাক্কৌবা পাঙথোক্কনি হায়নদুনা লাকখিবনি চহীসিগী নবেম্বর ১দা মহৈরোয়শিংগী মিদটর্ম এগজাম লোইরগা। মদুদা ঐদি য়াওবা ঙম্লরোই মণিপুরদা ইয়াম্বা কন্না নাবগী চৎকদবা লৈ হায়বদগী ঐহাক্লা অহল অমা ওইনা লৈবনিনা ঐহাক্লা হল্লক্লগা নবেম্বর ৮দা ওইনা পাঙথোক্লকসি হায়না লেপ্লখিবনি। অসুম্না ঐহাক্কী ইমুং য়াওবা নঙনবা লেপ্লখ্রবসু ঐহাক্কী ইমুংদি নিঙোল চাক্কৌবসি য়াওবা ঙমখিদে টাইৱানদা, ইয়াম্বা লৈখিদবনা মরম ওইদুনা।

তশেংবগীদি হন্দক্কী নবেম্বর ৮দা টাইৱানদা পাঙথোক্কনি হায়না শিনখিবা নিঙোল চাক্কৌবা অসিদা য়াওনবা ঐখোয় ইমুংগী চনীংলৈমা, ইচানুপী অহল চে চে, মপুরোইবা, ইশু নিংথেম, ইচানুপা ননাও অমদি ঐগা ঐখোয় তরুকসি য়াওগনি হায়না শেম শাবা লোইরবনি, খায়গদবা শেনফমসু খায়গৎখ্রবনি। অদুবু লাইবক থীবদি নোংমা ৱাৎলিঙৈ নম্বের ৭তা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদা কন্না নাদুনা লৈহৌবা ইয়াম্বদো লৈখিদবা নুমিৎ থোকপদগী টাইৱানদসু হন্দক্কী নিঙোল চাক্কৌবসি য়াওবা ঙমখিদবনি।

চৎলিবা চহী ২০২৫গী নিঙোল চাক্কৌবা টাইৱানদা মমাঙ চহীগুম য়াম্না নীংথিজনা পাঙথোকপসিদা য়াম্না নুংঙাইজৈ, হরাওজৈ মমল নাইদ্রবা মবুং-মৌপ্পা, মচিন-মনাও, মমা-মপা অমদি মচা ওইবশিংগী মরক্তা অচেৎপা নুংশিবগী মরী থল্লিবা নিঙোল চাক্কৌবা থাপ্লবা লমদম টাইৱানদসু ইন্দুনা চৎপা ঙমজবা অসিদা। শরুক য়াজনীংই অসিগুম্বা ঈনাৎকী থৌরমশিংদা ইরমদমদগী লাপ্পা লাক্তুনা মহৈ তম্লিবা পিবাশিং অমদি নিঙোলশিং অসিগা পুন্দুনা। মমাঙ চহীদসু য়াওবা ঙমখিদে ইচাতোম্বা বুং বুংগী য়াম্না মরু ওইবা স্কুলগী থৌরমদুগা নুমিৎ ফাংনখিবনা। হন্দকসু অমুক য়াওবা ঙমদ্রে পোকমিন্নবা ইয়াম্বা লৈখিদবা অসিনা।

লোইশিল্লকপদা, পূন্সিগী খোঙচৎতা অয়াম্বা মতমদা অৱা-নুংঙাই অনীসি পূন্না চৎমিন্নে। ইয়াম্বা অহুমশুবনা মথক্তা ময়াম্বা অনী, মচে অমা, মখাদা মনাও অনী, মহাক্কী লোয়নবী অমদি মচাশিং থাদোক্লমদুনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা থম্মোয়সি শোকই, য়াম্না নুংঙাইতে। অদুম ওইনমক, টাইৱানদা নিঙোল চাক্কৌবা নীংথিজনা পাঙথোকখিবসিদি নুংঙাইবা ফাওজৈ ঐখোয় ইমুংনা য়াওবা ঙমখিদ্রবসু। পূন্সিগী খোঙচৎসে তম্বা ঙমদে, ঐখোয়না লেপ্লুবসু ঙমদে। তৌইগুম্বসুং অৱা নুংঙাই ফোঙদোক্কে-ফোঙদোক্লোই, শরুক য়াগে-য়ারোই হায়বসিদি ঐখোয়গী খূৎতা লৈরে। মরম অসিনা পূন্সিগী খোঙচৎতা মফম মতম য়েংদুনা অৱা-নুংঙাই ফোঙদোকসি, মফম মতম য়েংদুনা অৱা-নুংঙাইদা শরুক য়াসি। য়াইফমিন্নরসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।